# ৱাকৎলোই শোকপদগী থাইলেন্দগী ঈরাং চাওথোক্কদৌরি



*বেঙ্কোক, জনুৱারি ১৭ঃ* মতম খরগী মমাংদা থাইলেন্দদা গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনা চঙশিল্লকখিবা ঈহৌ অদু হৌখিবা নুমিৎ খরনি ইথরুরবা মতুংদা ঙসি ৱাকৎলোইশিংগী মরক্তা লংশিল্লকপা বোম অমা পোকখাইরকপদা ৱাকৎলোই ৩৬ অশোক অপন নংবদগী থাইলেন্দগী ওইরিবা ঈরাং অসি হেন্না চাওথোরকপা য়ারি হায়না লিখুল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ৱাকৎলোইশিংদা চথরকখিবা বোমগী এটেক অদু ৱাকৎলোই লুচিংবা সুথেপনদি গভর্নমেন্টকী খুৎনি হায়না মরাল শিখ্রে। এটেক অদুনা ৱাকৎলোই লিশিং কয়াগী পুক্নিং হৎহৎহনবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। পোকখাইখিবা অদু গভর্নমেন্টনা শিল্লকপনি মসিনা ঐখোয়বু কিহনবা ঙম্লোই। ঐখোয়গী লাঞ্জং মখা চত্থিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

অদুবু গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা ৱাকৎলোইশিংগা মুক্নবগী ফিভম থৌদোক অসিনা হেনগৎহল্লকপা য়াবগী তংদাংবা ফিভমদি খঙবা ঙমদ্রি।

অদুবু লৈবাক অসিদা ওইরিবা লৈতাদবা ফিভম অসি লোইশিন্নবা আর্মিনা খুৎ চঙশিল্লক্কদ্রা হায়বগী চিংনিংঙাইদি ওইরি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। ঙসিগী থৌদোক অদুনা ৱাকৎলোইশিংগা মখোয়না য়েক্নবনি হায়না লৌরিবশিংগা অনিগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী ফিভম হেনগৎহনবা য়াবগী খুদোংথিবদি লৈরি হায়না বেঙ্কোক্তা লৈবা রামকামহিং য়ুনিভর্সিটিগী এনালিষ্ট বুনিয়াকিয়া করাভেকফাননা ফোঙদোকখ্রে। পুলিসনা হায়বদা বোম অদু সিটিগী ময়াইদা লৈবা চুলালোংকোর্ন য়ুনিভর্সিটি মনাক্তা ৱাকৎলোইশিংনা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা লংশিল্লকপনি। বোম অদু কনানা লংশিল্লকপনো হায়বা অশেংবা খঙদ্রি। অদুগা পোকখাইখিবা পোৎশক অদুগী মচাক অমদি মচাকশিং অদুগী মরমদসু ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

বেঙ্কোক হোস্পিটালদগী ইরাৱান মেদিকেল সেন্টরনা হায়বনা পোকখাইবা অদুদা মীওই ৩৬ শোক্লে হায়না ফোঙদোকখি। অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদগী ওফিসিয়েল অমনা হায়বগী মতুং ইন্নসু হোস্পিটাল অদুদা অশোকপা ১২ পুশিল্লকখি। মখোয়দুগী মনুংদা অমগী ফিভম লুরি হায়না ফোঙদোরকখি।

ঙসিগী থৌদোক অসি চহি ৮ গী মমাংদগী বেঙ্কোক্কী মিদল ক্লাস অমদি রোয়েলিষ্ট ইষ্টাব্লিসমেন্টকা রুরেল এরিয়াদা লৈবা প্রাইম মিনিষ্টরবু শৌগৎপা লায়রবা মীয়ামগা অনিগী মরক্তা য়ানরক্তবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী কোনবনি। ৱাকৎলোইশিংনা পাল্লিবদি পাক চাওনা থাইলেন্দদা পোলিটিকেল রিফোর্মশিং পাঙথোরকপা য়ানবা মীখলদা কাবা নত্তবা মীওইশিংনা শেম্বা পিপলস কাউন্সিল অমা লিংবা অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী কুমথবা অসিনি হায়নসু লিখুল অসিনা মখা তারক্লি। ইং ২০১০ গী এপ্রিল মে মনুংদগী বেঙ্কোকপু পেরলাইজ তৌদুনা থল্লকখিবা ৱাকৎলোইশিংগী ওইনদি ঙসিগী খোঙচৎ অদু খ্বাইদগী চাওবা খোঙচৎ অমসু ওইখি। পনবা য়াবা অমনা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা রেদ শার্ট হায়না খঙনবা কাংবু অমদি বেঙ্কোক্তা চত্থরিবা ঈরাং অসিদা করিমত্তা য়াওদনা তুমিন্না লৈরি।

# ৱার্ল্ড ৱারদা জপানননা সরেন্দর তৌখ্রবসু সরেন্দর তৌ য়াখিদবা লান্মী অমা শিখ্রে

*টোকিও, জনুৱারি ১৭ঃ* মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাওদা জপানদা এটোম বোম থাদবদগী মাং তাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা জপানননা সরেন্দর তৌখ্রবসু, সরেন্দর তৌ হায়বা য়াখিদবা জপানগী লান্মী অমা ঙসি লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহি ৯১শুখ্রে। মতমদুদা সরেন্দর তৌ হায়বা য়াখিদবগা লোয়নননা চহি ২৯ চুপ্পা উমংদা মপুন্সি লেনখিবনি।



অনিশুবা লাঞ্জাওদা ফিলিপিন্সতা লান য়াওখিবা হিরু ওনোদা কৌবা লান্মী অসি লুজোন মনাক্কী লুবাং আইলেন্দদা লৈবা উমং অমদা চহি ২৯ হিংলল্লবা মতুংদা ইং ১৯৭৪ খক্তদা ফিল্লিপিন্স গভর্নমেন্টতা সরেন্দর তৌখিবনি।

লাল লোইবা মতমদা মহাক্না লোইরে হায়বা থাজদবদগী উমংদা সরেন্দর তৌ হায়বা য়াদনা লেল্লকখিবনি। কাইনথংদা মতমদুগী কম্মান্দিং ওফিসার অমা পিল্লিপিন্সতা চত্তুনা মহাকপু উন্নরগা তকশিনবদগী মহাক থোরকখিবনি। লিখুন খরনা হায়বদা জপানদা মহাক্না হল্লকপদা মীয়ামনা ওনোদাবু অথৌবা অমগী ইকাই খুন্নবগা লোয়ননা ওকখি হায়রি।


মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লকপা মতাংদা লেফটিনেন্টকী রেঙ্কদা লৈখিবা ওনোদা হায়বা লান্মী অসি লুবাং রোমদা য়ু এস লান্মীশিং চংশিল্লকপদগী কনামত্তগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি। মতমদুদা চহি অঙাং ওইরিবা লান্মী অসি মথক থোংবশিংনা য়েক্নবদা চংজদনবা কম্মান্দ ফংখি হায়বগা লোয়ননা কম্মান্দ অদু মহাক্না চহি ৩০ রোম ঙাক্তুনা লাকখি। ইং ২০১০ দা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা হিরু ওনাদানা হায়খিবদা জপানগী লান্মী খুদিংমক শিবগীদমক শেম শাখিবা ঙাক্তনি। ঐহাকসু ইন্টলিজেন্স ওফিসার অমা ওইনা গেরিলা লাল্লোং চত্থনবা ওর্দর ফংখি হায়না ফোঙদোকখি।

ওফিসার অমা ওইনা ওর্দর অমা ফংলগা মদুবু পাঙথোকপা ঙমদবা তারবদি ঐঙোন্দা য়াম্না ইকাইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ইং ১৯৭৪ গী মার্চ ১১ দা মহাক ফিল্লিপিন্সকী লুবাং আইলেন্দদা লৈবা উমং অমদগী থোক্লকখি। মমাংদা মহাক্না ফংখিবা ওর্দর অদু হান্নগী কম্মান্দিং ওফিসার অমনা হন্দোক্লে হায়দ্রিবা ফাওবা মহাক্না সরেন্দর তৌ হায়বা য়াখিদবনি। উমংদা লৈরিঙৈ মনুংদসু ওনোদানা ফিল্লিপিন্সকী মিলিটরি ফেসিলিটিশিংদা সর্ভে তৌখিবগা লোয়ননা মরক মরক্তা লোকেল রেসিদেন্টশিংগা খুৎ থোক্নবসুয়াওখি হায়রি।

লাঞ্জাও অদু লোইবা মতমদা ওনোদাগা লান্মী অহুমগা লোয়নখি। লান্মী অমদি ১৯৫০ দা উমংদগী থোরকখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা ফিল্লিপন্সকী লান্মীশিংগা খুৎ থোক্নবদা ইং ১৯৭২ দা শিখি। ইং ১৯৭৪ দা হান্নগী কম্মান্দিং ওফিসার ফিল্লিপিন্সতা চত্তুনা ওনোদাগা উন্নখি। অদুগা সরেন্দর তৌনবা তকশিনবদা য়াদুনা মহাক উমংদগী থোক্লকখি। অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা মহাক্না শেংখিবা মতম অদুদা শেগাইরবা লান্মীগী ফিজোল অদুদা থোক্লক্তুনা মহাক্না পায়খিবা সমুরাই থাঙশাং অদু ফিল্লিপিন্স গর্ভমেন্টতা সরেন্দর তৌখিবগা লোয়ননা গর্ভমেন্টনা মহাকপু ঙাকপীখি।

# খা সুদানদা খুৎ থোক্নরিবশিংনা অমনা অমদা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থনৈংঃয়ু এন




*য়ুবা, জনুৱারি ১৭ঃ* খা সুদানদা হৌজিক খুৎ থোক্নরিবা গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি লালহৌশিংনা অমনা অমদা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থনৈ হায়না য়ু এন হ্যুমেন রাইট চিফ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সিদা পীবা ইন্টরর্ভিয়ু অমদা ইভান সিমোনোভিকন হায়খিবদা, বোর অমদি বেন্টিয়ু হায়রিবা টাউনশিং অসি ঙাইহাক লৈতনা কন্ট্রোল ওন্থোক্নদুনা লৈরকপদগী হৌজিক্তি ঘোষ্ট টাউনশিং ওল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এনদা রিপোর্ট অমা থাগৎনবা খা সুদানদা চৎলুরবা মতুংদা বি বি সিনা লৌবা ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা মীওই লিশিং কয়া হাৎখ্রে। য়ুম কয়ামরুম লুট তৌরগা মৈ থাদোকখ্রে। গভর্নমেন্টকী লান্মীশিং অমদি লালহৌবশিংনা অমনা অমদা কা হেনবা থৌওংশিং লেপ্তনা চত্থনরি হায়নসু সিমোনোভিকনা ইন্টরভিয়ু অদুদা ফোঙদোকখি।

থৌওংশিং অসি মফম মফমগী মতুংইন্না মান্নদে। চহি অসিগী জনুৱারী ১৩ দা য়ু এননা ফংখিবা সেট্টলাইট ইমেজ অমদা বেন্টিয়ুদগী পংলাপ লাপ্তনা লৈবা রুবকোনা টাউনদা থোকখিবা মাঙ তাকপগী ফিভম অদু শেংনা উবা ফংখি। লমদম অসিদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। অহানবগী ওইনা য়ু এননা চত্থবা এনলাইসিষ্ট অমদা টাউন অয়াম্বা মৈ থাদোকপদগী শাথিনা মাঙ তাক্লে। মফম অসিদা য়ুম লিশিং ৪ দি মৈ থাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা খরনা য়েখাই থুগাইদুনা মাঙহনখিবনি হায়না য়ু এননা খঙবা ঙমখি।

মফম কয়ামরুমদা অতেক–অকাই মপৈ–মপৈশিং পৈবগা লোয়ননা পাক চাওনা লুট পাৎ চত্থখ্রে হায়নসু য়ু এননা ফোঙদোকখি।

সিমোনোভিকনা হায়খিবদা খ্বাইদগী থিনা শোক্লিবদি লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা বোর অমদি মেন্টিয়ু হায়রিবা টাউনশিং অসিনি। বোরদি কনামত্তা লৈত্রে। অদুগা মেন্টিয়ু টাউনসু হৌজিক্তি মালেমগী লৈমায়দগী পুংলৌ লৌথোকখিবগা লোয়ননা টাউন অসি মাঙখ্রে। লুট পাৎ চত্থখিবতা নত্তনা মফম অসি মৈনা তুম্না থাদোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম হায়বদু কেম্পশিংদা ওইনা লৈরি। ওইখ্রিবা ফিভম অসিদা মখা তানা মোনিটর তৌদুনা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মরমদা অমুক রিপোর্ট তৌনিঙাই লৈত্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ব্রজিলদা ফ্লাইট মশিং হেনগৎহল্লে

*ব্রাসিলিয়া, জনুৱারি ১৭ঃ* কুমশি চহিদা ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা থৌরম অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড কপকীদমক লৈবাক অসিদা মী লাকথোক লানশিন তৌবগী চাং কা হেন্না হেনগৎলকপদগী লৈবাক অসিগী এভিয়েসন ওথোরিটিশিংনা অহেনবা ফ্লাইট লিশিং ২ ওথোরাই তৌখ্রে হায়না লিখুল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এরোপ্লেন টিকেট অমদি হোটেলদা লৈবগী মমল লেপ্পগী মতাংদদি য়েৎনবা খরা লৈরি। য়ু এস কন্টিন্টেকা চাওবা মান্নবা লৈবাক অসিদা ৱার্ল্ড কপকী য়েংদুনা ফুটবোল ফেনশিংনা চত্থোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা অমসু মায়োক্নরিবনি। কম্পেনি খরনদি লৈবাক মনুংদা পায়বগী টিকেট মমল হান্নদা অরেপ্পা মমল লাওথোকখ্রে। অদুবু খ্বাইদগী তাংবা পায়বগী টিকেৎ মমলগী মতাংদদি য়েৎনবা খরা লৈরি। ব্রজিল মনুংগী ফুটবোল পামজবা মীকোক মিলিয়ন ৩ অদুগা মীরৈবাক্তগী লাক্কদবা ফুটবোল ফেন ৬০০,০০০ শিংনা ৱার্ল্ড কপকীদমক চৎথোক চৎশিন তৌনবা থৌরাং তৌনরিবনি।

ব্রাজিলদা লাকপা মীগী মশিংসু মমাং চহি খরদগী শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলকখ্রবনি। অদুগা এয়ার লাইন কম্পেনিশিংনদি পায়বগী লম্বী অমদি ষ্টাফ মশিং হৎহন্দুনা শেন্দোং হেন্নবা খোঙথাং লৌখৎনখিবনি।

সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিনা হায়বদা কুমশি চহিগী জুন ১ দি জুলাই মনুংদা লৈবাক অসিগী এয়ারপোর্ট ২৫ রোমদা অনৌবা ফ্লাইট ১৯৭৩ হেনগৎহন্নবা পার্মিট পীরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মরুওইনা ফ্লাইট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না হেনগৎহনগদৌরিবা মফমশিংদি রাইও দ জেননিরো–ব্যুনোস এরিজ, ব্রাসিলিয়া–সাও পাওলো অমদি ফোন্টালেজা–সাও পাওলো হায়রিবা মফমশিং অসিদা পায়থোক পায়শিন তৌবগীনি হায়নসু ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। অদুবু মায়কৈ খরদগীদি হান্নদগী শিন্দুনা লৈরবা এয়ারপোর্টশিং অমদি ৱাৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসিগা হাপকৎকদৌরিবা ফ্লাইট মশিং অসিগা চুনদে হায়বগা লোয়ননা মসিনা হেন্না খুদোংচাদবা থোকহনগনি হায়না ফোঙদোক্লবসু য়াওরি।

# য়ু এস রাইনো হন্টরগী পুন্সিদা শিংনরকখ্রে



*দলাস, জনুৱারি ১৭ঃ* নামিবিয়াদা ব্লেক রাইনো তানবগী পার্মিট নিলাম ওকখিবা টেক্সাসকী সদানবা অদুগী পুন্সিদা শিংনরক্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোরি নোল্টোন হায়বা সদানবা অসিনা দলাস সফারি ক্লবতগী ব্লেক রাইনো হন্টিং চত্থনবা পার্মিট অমা দোল্লর ৩৫০,০০০ দা নিলাম ওকখিবনি।

নিলামদগী ফংলকপা শেনফম অসি হৌজিক–হৌজিক ব্লেক রাইনো ১৫০০ গী ময়ুম ওইরিবা নামিবিয়াদা লম্লক্কী শাশিং কন্নবগী থৌরাংদা শীজিন্নগনি হায়নসু ক্লব অসিনা ফোঙদোকখিবনি।

কোরিনা হায়বদা মহাক্কী ইমুং মনুংবু ঙাক শেনবীনবা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ সি আই) দা ৱারী শাখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ফেসবুক পেজদা মীওই কয়ামরুমনা মহাকপু তমথিবা অমদি চাওখৎতবা মীওইনি হায়নসু থারকখি হায়রি।

অদুবু মহাকপু লান্না হুল্লিবা মীওইশিং অসিনা মহাক্না হন্টিং চত্থগদৌরিবা অসি অহল ওইরবা মচা পোকপা ঙল্লরোইদবা অদুগা অতোপ্পা লম্লক্কী শাশিংদা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা শামুগন্দা লাবা অমনি হায়বদু খঙদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# পেলেষ্টিনিয়ানশিংবু শৌগৎপগী ইজরেলনা ঈ য়ু চৈখ্রে



*জেরুসালেম, জনুৱারি ১৭ঃ* ইজরেলদা লৈবা বৃটেন, ফ্রান্স, ইটেলি অমদি স্পেন্দগী এম্বেসেদরশিংনা পেলেষ্টিনিয়াশিংবু শৌগৎলি হায়বগীদমক ইজরেল গভর্নমেন্টনা সমোন তৌখ্রে।

ইজরেলগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়বদা এনভোইশিং অসি মায়কৈ অমত্তদা লেপ্পা খোঙফম হন্দোক্লবা খঙহল্লগনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদুদা ইজরেলনা য়াদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদা য়াওবা লৈবাক ৪ অসিনা ইজরেলগী এম্বাসেদরশিংবু সমোন তৌবগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্ককী মফমশিংদা ইজরেলগী লম শন্দোকপগী থৌরাং য়াগনু হায়না ঙরাং খঙহনখি হায়রি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়কগী কেঠরিন এষ্টননা ইজরেলগী সেটলমেন্টশিং অদু শান্তিগী থৌরাংদা অপনবা ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অদুম ওইনমক ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান য়াহুনা হায়বদদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী অসিগুম্বা ৱাখল মীৎয়েং অসি তোকপা মতম ওইরে। অদুগা খন্ন–নৈবদা ফজবা অমদি খল চাবা ৱাখল্লোন খনবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ঐখোয়গী এম্বেসেদরশিংবু কৌখৎলিবগী মরম য়ু ঈনা হংখ্রে। অদুগা ইজরেলবু মাঙ তাক্নবা থৌইনশিনশিংদা ইনশিনবা ৱাঙাং ফোঙদোকখিবা পেলেষ্টিনিয়ান এম্বেসেদরশিংবুদি করম্বা মতমদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা কৌখৎখ্রবগে হায়না ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মীরৈবাক্কী পাউমীশিংদা হংখি।

পেলেষ্টিনিয়ান ওঠোরিটিবু ইজরেলগী অমদি জ্যু মীয়ামগী মায়োক্তা ওফিসিয়েল মেদিয়াদা অকনবা ৱারোলশিং ফোঙদোকখিবদা থবক অমত্তা লৌখৎতে হায়নসু ইজরেল গভর্নমেন্টনা পেলেষ্টাইন ওঠোরিটিবু মরাল শীখি।

অসিগুম্বা খল চাদবা অদুগা ইজরেলগী মায়োক্তা মলোম থম্বা অসিনদি শান্তিগী থৌরাং খুমাং চাওশিনবা ঙমহল্লোই হায়নসু নেটান য়াহুনা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা শান্তিগী থৌরাংবু লাপ্না ইন্থোকই। অদুগা মসিনা পেলেষ্টিনিয়ানশিংদা নখোয়না অপাম্বা তৌ হায়না ইনশিনবগা মান্নে হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মখা তাখি।

নিংশিংবা য়াবদি মমাং চয়োলদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমদি ইষ্ট জেরুসালেমদা জ্যুশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা অনৌবা য়ুম ১৪০০ শানবা থৌরাং লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু থৌরাং অসি শান্তিগী থৌরাংদা অপনবা ওই। মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরকপদা ওইথোক্লোইদবা ফিভম অমা তাহনগনি হায়না কেথরিন এষ্টননা ফোঙদোকখিবনি।

# চয়েৎনবা মরক্তা চাইনানা নেভি কনখৎহনখ্রে

*বৈজিং, জনুৱারি ১৭ঃ* খা থংবা অমসুং নোংপোকথংবা চাইনা সি কন্ট্রোল মুন্নবদা চাওনা চয়েৎনবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা চাইনানা মসিগী নেভেল সর্ভিলেন্স ফ্লিট মশিং য়াম্না হেনগৎহনখ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌরাং অসি লমদম অসিদা য়ু এস অমদি জপানগা শীংনবা ঙম্নবা পায়খৎপা থৌরাংনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী মেরি টাইম রাইটস হেন্না ফজনা ঙাকপা ঙম্নবা চাইনানা মসিগী কোষ্টগার্দ ফ্লিট হেন্না চাওথোকহল্লে হায়না ষ্টেট ওসিনিক এদমিনিষ্ট্রেসন (এস ও এ) ঙসি ফোঙদোকখিবনি।

কুমসি চহিদসু চাইনানা ইন্সপেক্সন সিপ ২০ শাবগী থবক হেন্না খোঙজেল য়াংশিনহনগদৌরি অদুগা পেট্রোল সিপশিং অমদি প্লেনশিং লৈনবগী থৌরাংসু লৈরি হায়না এস ও এ গী দিরেক্টর লিয়ু সি ঘিনা হায়খিবা ৱাফম ষ্টেট মেদিয়ানা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

গভর্নমেন্টনা চলাইবা সি সি টি ভি গী পাউ অমদা চাইনানা ফিল্লিপিন্স, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া অমদি ব্রুনৈগা মেরিটাইম রাইটকী মতাংদা য়েৎনবা লৈরিবা সাউঠ চাইনা সিদা অনৌবা জহাজ ১৭ দিপ্লোই তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদেকখ্রে।

চাইনাগী ঈশিং লান্মীগী জহাজশিংনা চাং অমা নাইবা লৈবাক অসিনা দিয়াওয়ু হায়না খঙনবা অদুগা জপানননা সানকাকু হায়না থোনবা ইথৎ অমগী মনাক্তা চাং নাইনা পেট্রোল্লিং চৎলি।

ঈশিংগী শরুক অসিদা জপান অমদি চাইনননা ঙাইহাক লৈতনা হকথেংননা উনরি। অমরোমদা য়ু এসনা মসিগী নেভেল ফ্লিটকী চাদা ৬০ রোম ওইগদবা জহাজশিং দিপ্লোই তৌনবা অচৌবা থৌরাং অমা পেসিফিক ওসিনদা পায়খৎলক্লিবা অসিনা চাইনাদা চাওনা নুংনাংবা ফাওহল্লিবনি। লিয়ুনা হায়খিবদা হাকুম চহিদা চাইনা মেরি টাইম সর্ভিলেন্সনা পেট্রোল্লিং ত্রিক ৩৬ কা ফ্লাইট ৪০২ গা চয়েৎনরিবা মফম অদুদা চত্থখি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

# নৌনা পুথোকপা গেলেক্সি অমনা এষ্ট্রোনোমরশিংবু ঙকহল্লে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ১৭ঃ* লাইট ইয়ার লিশিং ৫৫ পাক চাউনা শন্দোকপা অশাবা মনিলগী কাঙ্গোই ওইবা হিমিকো হায়বা অনৌবা গেলেক্সি অমবু থেংনরকপা রিসার্চরশিংবু গেলেক্সি অসিনা চঙকনহল্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

বিগ বেং হায়বা থৌদোক অদুগী মতুং চাওরাক্না চহি মিল্লিয়ন ৮০০ রোমগী মতুংদা উরকখিবা হিমিকো হায়বা গেলেক্সি অসি কা হেন্নসু লাপ্পী। অদুগা বিগ বেং থৌদোক থোকপা মতমদা য়ুনিভর্স অসি হৌজিক ওইরিবা মরাক মচাও অসিগী চাদা ৬ খক্তমক ওইরম্মী। মতম অদুদা থৱানমিচাকশিং অমদি গেলেক্সিশিং অসি শেম্বা হৌরকপদা মঙাইরি।

চঙকনরিবা ফিভম অসিগী পাউখুম ফংনবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টোকিও অমদি হরবার্দ–স্মিঠ নোনিয়ন সেন্টর ফোর এষ্ট্রোফিজিক্সকী কলিগশিংগা পুন্না রিসার্চ চত্থখিবা প্রোফেসার রিচার্দ এলিসনা হব্বল স্পেস টেলিস্কোপ অমদি অনৌবা অটাকামা লার্জ মিলিমিটর / সব মিল্লিমিটর এরে (এ এল এম এ) গী অপুনবা কম্বাইন রিসোর্চ শীজিন্নদুনা হিমিকোবু থিবগী থৌরাং পায়খৎখি।

ওবজার্ভেসনশিং অসিদগী ফংলকপা দেটাশিং অদু হিমিকোবু পৱার পীরিবা ইনর্জিগী হৌরকফমগী মরমদা হংনখিবা অহানবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ফংখি।

অদুবু রিসার্চ অদুদা হেন্না ঙক্লিঙাই ওইবা দেটা খরসু থেংনরকখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হব্বলনা ওপটিকেল অমদি অল্ট্রাভাইওলেট লাইটশিং রিসিব তৌরগা লৌরকপা ইমেজশিং অদুদা লাইট ইয়ার ২০,০০০ রোমগী মরাক মচাও ওইবা অহাংববু কুপশিনবা ষ্টেলার ক্লম্প অহুম উবা ফংখি। ক্লম্প অমমমনা মঙান নাইবা অদুগা হেমিকো ওইরকখিবা মতম অদুদা শেমখিবা গেলেক্সিশিংগী সাইজনি। অহুম পুল্লগা ক্লম্পশিং অসিনা চহি অমমদা সোলার মাস ১০০ রোমগী চাংদা থৱানমিচাকশিং শেম্বগী থোইদোক হেন্দোকপা মতৌ অমা ওইখি হায়বা খঙবসু ঙমখি হায়রি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -127

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 6 | | | | 2 | | 5 |
| | | | 9 | | | 4 | 7 | |
| | | 8 | | | | | | |
| | | | 7 | | 9 | | | |
| | 8 | 4 | | 5 | | | | |
| | | | | 3 | | | | 6 |
| | | | 8 | | | | | |
| | 9 | 3 | | | 7 | | 4 | |
| 1 | | | | | | | 6 | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 8 | 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 7 |
| 6 | 9 | 4 | 5 | 2 | 7 | 1 | 8 | 3 |
| 1 | 5 | 7 | 8 | 4 | 3 | 9 | 2 | 6 |
| 8 | 3 | 6 | 4 | 9 | 5 | 2 | 7 | 1 |
| 2 | 7 | 5 | 1 | 3 | 6 | 4 | 9 | 8 |
| 9 | 4 | 1 | 2 | 7 | 8 | 6 | 3 | 5 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 7 | 1 | 4 |
| 7 | 1 | 3 | 9 | 5 | 4 | 8 | 6 | 2 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*